# অজয় জয়ারাম, আনন্দ পৱার য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



এল মোন্টেনো, য়ু এস এ, জুলাই ০৭ : মালেমগী মরিশুবা সীদেদতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শট্লর অজয় জয়ারাম অমসুং আনন্দ পৱার হৌজিক হৌজিক মফম অসিদা চত্থরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন অসিদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাক্লিবনি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মানু আত্রি অমসুং বি সুমিথ রেদ্দি অনীগী জুরাসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। লোয়নন্না নুপীগী দবলসতসু এস পুরভিসা রাম অমদি মেঘনা জকামপুদিগী জুরাসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবনি।

আনন্দ পৱারনা নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রটুল জোসিবু ২১-১০, ২১-১৩ দা অদুগা অজয় জয়রাম্না পোর্টুগলগী পেদ্রো মাটিনবু ২১-১১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।


নুপাগী দবলসতা সেকেন্দ সীদ মানু আত্রি অমসুং সুমিথ রেদ্দি অনীগী জুরানা জপানগী কেনয়া মিটসু হাসি অমদি য়ুতা ৱাটানবিগী জুরাবু ২৩-২১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা হৌজিক ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী অতোপ্পা জুরা ওইরিবা টাকুরো হোকি অমদি য়ুগো কোবয়াসিগী জুরাগা অমুক থেংনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পুরভিসা রাম অমসুং মেঘনা জকামপুদিগী জুরানা অমেরিকাগী এরিএল লি অমদি সিদনি লিগী জুরাবু ২১-১৬, ২১-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন অসিদা লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা শট্লর জ্বালা গুত্ত অমদি অশ্বনি পোন্নাপ্পা নুপীগী দবলসতা শরুক য়াখিদবনি। ইন্দিয়াগী শট্লরশিংনা য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শিঙ্গলস অমদি দবলসকী ইভেন্ট অনীমক্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপা অসিনা মেদলগী অশা চাউনা লৈরিবনি।

নীংশিংবা য়াই হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ দসু ইন্দিয়াগী শট্লর তরেৎনা শরুক য়াদুনা মেদলগী অশা চাউনা তৌরিবনি।

# বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসি টেক্স থিদনবা নমথাক তৌরম্বগী মীয়াৎ পীখ্রে



বার্সেলোনা, জুলাই ০৮ :

এফ সি বার্সেলোনাগী ফুটবোল শান্নরোয় লিওনেল মেসি নমথাক তৌদুনা টেক্স থিদনবা হোৎনরম্বগী মরাল অহুমদা স্পেনিস কোর্ট অমনা থা ২১ গী মীয়াৎ পীখ্রে।

মেসিদা নত্তনা মহাক্কী এদভাইজর অমসুং মেনেজর ওইনা থবক তৌরকখিবা মহাক্কী মপা জোর্জসু কোর্ট অদুনা থা ২১ গী মীয়াৎ পীখ্রে।

মালেমগী ওইনা চহীগী ফুটবোল্লর মরিরক তাখ্রবা শান্নরোয় অদুনা ফাইন ওইনা য়ুরো মিল্লিয়ন ২.০৯ সু থিননবা কোর্টনা ওর্দর তৌখি অমসুং মহাক্কী মপাবুনা য়ুরো মিল্লিয়ন ১.৬ ফাইন ওইনা থিনবা খঙহনখি। লিগেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মপা মচা অনীমক জেলদা লৈতবা য়াই হায়রি। মদুগী মরমদি স্পেনিস জজশিংনা চৎনবী নৎত্রগা হৈনবী অমা ওইনা অহানবা ওফেন্দরশিংগী ওইনা চহী অনী য়ৌদবা মীয়াৎশিংদি মতম খরগী ওইনা চৎনহন্দবননি হায়রি।

য়ুমশকৈশগী অথেংবদা মেসিগী মেনেজমেন্ট কম্পেনিনা হায়খি, বার্সেলোনাগী ক্রিমিনেল কোর্ট অমনা তাখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা মেসি অমসুং মহাক্কী মপানা স্পেনগী সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌরগনি।

ক্রিমিনেল কোর্টনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদুনা মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা অমসুং শেল খ্বাইদগী হেন্না পীবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মমিং লৈরবা ফুটবোলগী শান্নরোয় অদুদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। কোর্টকী ৱারেপ অসি মমাং থাগী কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা মায়থীবা নংখিবদগী মহাক্ন া অর্জেন্টিনাগী নেসনল টিমদগী পোথানবা ৱারেপ লৌখিবা মতুং ইকুই কুইদনা লাক্লিবনি।

কোর্টকী রুলিং অদুগী মতুং ইন্না, মেসিনা কুমজা ২০০৭, ২০০৮ অমসুং ২০০৯ চহীশিংগী ওইবা মশাগী ইনকম টেক্স ষ্টেটমেন্টশিংদা মশাগী ইমেজগী রাইটশিংদগী ফংলকপা শেনফমশিং স্পেনিস টেক্স ওথোরিটিশিংদা খঙহনখিদে। মেসি অমসুং মহাক্কী মপানা চত্থরল্লিবা থবক অসি ষ্ট্রেটেজি অমগী শরুক অমনি হায়না কোর্ট অদুনা হায়খি।

হৌখিবা থাদা কোর্ট কাখিবা মতমদা ফুটবোল শান্নরোয় অদুবু মপানগী একাউন্ট কয়া শীজিন্নদুনা মহাক্কী ইনকম লোৎশিন্দুনা টেক্স ওথোরিটিশিংদা নমথাক তৌই হায়না মরাল শীখি। ট্রাইএল অদু মেসিগী মপানা তৌখিবা লোগী মায়োক্তা ওইবা থবক থৌওংশিংগা মরী লৈননা চত্থখিবনি।

# বি সি সি আইনা থাদরকখিবা শেনফম লান্না শীজিন্নরুবগীদমক গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী ত্রেজরর অকবর মুলা ফম থাদোকখ্রে




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৮ :

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না গোৱাদা ক্রিকেট মশান্না চাওখৎনবগীদমক কুমজা ২০০৭ তা থাদখিবা লুপা ক্রোর ৩.১৩ গী শেনফম লান্না শীজিন্নরুবগীদমক গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমদি ত্রেজরর পুলিসনা ফারুরবা মতুং ঙসি এসোসিএশন অসিগী ত্রেজরর অকবর মুলা ফম থাদোকখ্রে।

বি সি সি আইনা থাদখিবা শেনফমশিং অদু গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট চেতন দেসাই অমসুং বিনোদ ফাদকে অমদি ত্রেজরর অকবর মুলানা শাশিন্নবা বেঙ্ক একাউন্ট অমদা পৈশা চঙহন্দুনা হায়রিবা শেনফমশিং অসি লান্না শীজিন্নখিবনি। হায়রিবা চাওখৎ থৌরাংগী শেনফমশিং অসি লান্না শীজিননরুবগীদমক গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট চেটন দেসাই, সেক্রেটরি বিনোদ ফাদকে অমদি ত্রেজরর অকবর মুলা হৌখিবা জুন ১৫ দা লোকল পুলিসকী ইকনমিক ওফেন্সেস সেলনা ফারুরবনি। হায়রিবা মশক নাইরবা মীওই অহুম অসি তুংদা বেলদা থাদোকখিবনি।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী ত্রেজরর ফমদগী অকবর মুলা ফম থাদোক্লে হায়না মহাক্না ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিঙৈ মনুং ওইবা মরম্না মহাক ফম অসিদগী থাদোকপনি। মঙোন্দা মরম চাদবা চার্জ কয়া পানশিনবা অসি য়ানিংদে। মসিগীদমক্তা মতিক চাবা ইনভেষ্টিগেশনগী তঙাইফদবা লৈ। ইনভেষ্টিগেশন লোইদ্রিবা মরম্না মহাক্ন া গোৱা ত্রেজরর এসোসিএশনগী ফম পায়শিন্দুনা থম্বা অসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরো হায়না খল্লকপদগী মহাক্না ফম অসি থাদোকচরে হায়না গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্টতা হৌখিবা জুলাই ৬ তা চিঠি অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়ন সুপর লীগকী চেম্পিয়ন চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর মার্কো মেটেরাজিনা অমুক হন্না ওইরগনি



চেন্নাই, জুলাই ০৮ :

ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) গী চেম্পিয়ন ওইরিবা চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর মার্কো মেটেরাজিনা অমুক হন্না ওইরগনি হায়না ক্লব অসিনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ইটালিয়ন ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর মার্কো মেটেরাজিনা চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর অমুক হন্না ওইরগনি লাউথোরকপদা মহাম্না নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না ক্লব অসিগী মেনেজর ওইনবা খল্লকপগীদমক্তা মার্কো মেটেরাজিনা চেন্নায়িন এফ সিগী ওর্নরবু থাগৎপা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎখি।

আই এস এলগী অহুমশুবা সীজন অসিদা মার্কো মেটেরাজিবু অমুক হন্না ক্লব অসিগী মেনেজর ওইনা হাপখিবা অসিগী অচৌবা মরমদি মেটেরাজিগী মিৎয়েং মখাদা হৌখিবা আই এস এলগী অহানবা সিজন্দা চেন্নায়িন এফ সিনা লীগকী ষ্টেজদা মকোক্তা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেলদা ইহান হানবা ওইনা চঙলকখি। অদুবু আই এস এলগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা চেন্নায়িন এফ সি কেরলা ব্লাষ্টরগী মখূৎতা য়াম্ন া নকপা গোল মার্জিন্দা মায়থীহৌখিবনি।

চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর মেটেরাজিনা হৌখিবা আই এস এলদসু ক্লব অসিগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। মহাক্কী মতেংনা চেন্নায়িন এফ সিনা আই এস এলগী চেম্পিয়ন ফাওবা ওইবা ঙমখিবনি।

মেটরাজিনা আই এস এলগী অনীশুবা সীজন্দসু চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর ওইদুনা আই এস এলগী টাইটল ফাওবা লৌবা ঙমহনখি। মেটেরাজিগী মিৎয়েং মখাদা চেন্নায়িন এফ সিনা থোইদোক হেন্দোকপা মওংদা শান্নদুনা খ্বাইদগী ফবা টিমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

মেটেরাজিগী মখাদা চেন্নায়িন এফ সিনা লীগ মেচ মঙা থংনা থংননা মায় পাক্তুনা অনীশুবা আই এস এলগী ফাইনেলদা এফ সি গোৱাবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

আই এস এলগী অহানবা সিজন্দগী হৌনা মার্কো মেটেরাজিবু মেনেজর ওইনা হেক হাপখিবা অদুদগী হৌনা চেন্নায়িন এফ সিনা মার্কো মেটেরাজিদা থাজবা পুম্নমক থমদুনা হৌখিবা আই এস এলগী সিজন অনীদা চাউনা মায় পাকপা ঙমখ্রে। অমুক হন্না চেন্নায়িন এফ সিগী মেনেজর ওইনা হাপখিবা অসিনা ক্লব অসিগী থাজবা মাঙহন্দনা ক্লব অসিদা হেন্না থৌনা অমা অমুক হাপকৎখ্রে।

চেন্নায়িন এফ সিগী ওর্নর ভিটা দানিনা ফোঙদোকখিবদা, চেন্নায়িন এফ সিনা মাঙলোমদা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিন্দুনা লাক্কদৌরিবা আই এস এলগী অহুমশুবা সীজন অসিদসু টাইটল লৌনবা হোৎনগনি।

হৌখিবা আই এস এলগী সিজন্দা চেন্নায়িন এফ সিগী টার্গেট অসি চেম্পিয়ন ওইবা অদুনি। হন্দক্কী চহী অসিদসু ঐখোয়গী পান্দম অসি চেম্পিয়ন ওইবা অদুমক লেংদনা লৈরি। ঐখোয়না আই এস এলগী ট্রোফি অসি চেন্নায়িন এফ সিদা অদুমক লৈবা পাম্মী। মরম অদুনা ঐখোয় হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ঐখোয়গী স্কাদ অসি য়াম্না অরিংবা অমা ওইহনগদবনি হায়নসু মার্কো মেটেরাজিনা মখা তাখি।

# গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ঙসিদগী হৌরগনি


ইম্ফাল, জুলাই ০৮ ঃ

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ১২ শুবা এদিশন হয়েংদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ফেন্সিং হোলদা হৌদোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ করাম থমরজিৎ, মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জয়কুমার অমসুং রিমসকী গাইনিকোলোজিষ্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. এল রঞ্জিৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি ৱাহেংবম বিরভদ্র সিংহ মিনি বোইজ এন্দ গার্লস, সোরাইসম রোনিকা দেবী সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস, ওংনম য়াইমা সিংহ কেদেট বোইজ, অঙোম নিলমনি সিংহ কেদেট গার্লস, ৱাকস্বম নোদিয়া সিংহ জুনিয়র বোইজ, ৱাকস্বম ওংবী কৈশাম অনৌ দেবী জুনিয়র গার্লস, অরিবম নন্দকিশ্বর শর্ম্মা সেনিয়র বোইজ, হিজম ওংবী আর কে সনাতোম্বী দেবী সেনিয়র গার্লসকী ইভেন্টশিংনি। লোয়ননা থাংজম গোপাল সিংহ ওভর ওল বোইজ চেম্পিয়ন অমসুং থাংজম ওংবী মনি দেবী ওভর ওল গার্লস চেম্পিয়নগী মনাসু পীগনি। গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা এসোসিএশনগী মেম্বরশিং অমদি ফেন্সর পুম্নমক্না মতম চানা লাক্তুনা হৌদোকপগী থৌরম অসিদা য়ানবসু খঙহল্লক্লি।

# নিরজ সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরবসু রিও ওলেম্পিক্কী বর্থ ফংনবগী লম্বী অমত্তা ঙাইরে



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৮ ঃ

ভেনেজ্বেলাগী ভারগাসতা চত্থরিবা প্রোফেসনেল বোক্সরশিংগী ওইবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজ গোয়ট কেজি ৬৯ গী কাঙলুপকী সেমী ফাইনেলদা মায়থীখ্রে। অদুম ওইনমক নিরজ গোয়টনা রিও ওলেম্পিক্সকী বার্থ ফংনবগীদমক মহাক্কী লম্বী অমখক্তমক ঙাইখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্সকী অরোইবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা নিরজ গোয়টনা সেমী ফাইনেলদা মায়থীখ্রবসু রিওগীদমক নীংবা কায়নিংঙাইদি ওইদ্রি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা বোক্সর নিরজ গোয়টনা সেমী ফাইনেলদা জর্মনগী অজারিক মরুটজানগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌখিবনি। হান্নগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী শিলভর মেদলিষ্ট অজারিকনা নিরজ গোয়টপু খরা লাকচরপ তৌনা শান্নখি।


নিরজ গোয়ট সেমী ফাইনেলদা থিনগাইরল্লবসু রিও ওলেম্পিক্কী বর্থ ফংনবগীদমক মহাক্ন া স্পেনগী সিসোকো দিয়ায়ি য়ৌবগা থিনগাইনবা তারি।

স্পেনগী বোক্সর সিসোকো দিয়ায়ি য়ৌবগা সেমী ফাইনেলদা টোপ সীদ জুৱান পাব্লো রোমিও মরিনগী মখূৎতা ০-৩ দা থিনগাইরমখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী অরোইবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিং (দব্লিয়ু এস বি) আইবা প্রো বোক্সিং (এ পি বি) গী বোক্সর কয়ানা শরুক য়ারিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকীদমক হৌজিক ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমখক্তমক ক্বালিফাই ওইরিবনি। রিও ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইদুনা লৈখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অদুদি কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা সিব থাপা, কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা মনোজ কুমার অমসুং কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা বিকাস ক্রিসননি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী ইভেন্ট অয়াম্বদা ঐখোয়গী খুদোংচাবা কয়া লৈ ঃ সাইনা



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৮ ঃ থা অমা ফাজিল্লক্ত্রবা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইভেন্ট অয়াম্বদা চাউনা মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৈ হায়না শট্লর সাইনা নেহৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

বেদমিন্টন মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা ওলেম্পিক্সতা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্সনা ওইরি। হৌখিবা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্সতা শুপ্নগী শট্লর মঙাখক্না শরুক য়াখিবনি। হন্দক্কী অসিদদি শট্লর তরেৎনা শরুক য়াবা মরম্না খ্বাইদগী চাউবা বেদমিন্টনগী টিম অমা ওইবতা নত্তনা মেদলগী অশাসু চাউনা লৈ হায়খি।

লন্দন ওলেম্পিক্সতা মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মহাক্না মতমদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিঙৈদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শিলভর মেদল লৌখি। মতমদুদা মহাক্না মালেমগী টোপ প্লেয়র অনী ৱাং জিহান, কারোলিনা অমদি রাদচানোক্নচিংবশিং মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# ইরফান অমসুং বুয়ান্না আইটা নেসনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্টতা থেংনরগনি



কোএম্বটোর, জুলাই ০৮ :

ইরফান হুসেন অমসুং অন্সুকুমার বুয়ান্না আইটা ৫০-কে নেসনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্টকী মেন’স সিঙ্গলস ফাইনেলদা থেংনরগনি।

মফম অসিদা লৈবা পর্ক টেনিস সেন্তরদা চত্থরিবা আইটর ৫০-কে নেসনল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন’স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টোপ সীদ ওইরিবা উরিষাগী অন্সুকুমার বুয়ানগা টামিল নাদুগী সেকেন্দ সীদতা লৈরিবা ইরফান হুসেন অনীগী মরক্তা থেংনরগনি।

মেন’স সিঙ্গলসকীদমক শেম শারিবা উরিষাগী ষ্টার অন্সুকুমার বুয়ানা সেমী ফাইনেলদা টামিল নাদুগী রিদভিক আনন্দবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখি। অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা টামিল নাদুগী ইরফান হুসেননা অন্ধ্র প্রদেশকী কোসারাজু সিভাদিপু ৭-৫, ৫-৭, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টামিল নাদুগী য়াম্না নহা ওইরিবা শান্নরোয় ইরফান হুসেননা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা ফোর্মদা লাক্তুনা মহাক্কী ওপোনেন্ট কোসা রাজুগা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নরবা মতুং মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

দবলসকী ইভেন্টতা ইশান হুসেন অমসুং ইরফান হুসেনগী জুরানা রিদভিক আনন্দ অমসুং পোনালা সিদার্থগী জুরাবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা মেচ অমদা অন্সুকুমার বুয়ান অমসুং অভিলাস মিশ্রা অনীগী জুরানা অনরাগ নেনৱানি অমদি দাহিয়া ভিক্রানগী জুরাবু ৪-৬, ৬-৪, ১০-৭ দা মায়থীবা পীখি।


**MAKE A MOVE AND JOIN THE ARMED FORCES AS SHORT SERVICE COMMISSIONED OFFICER IN THE MILITARY NURSING SERVICE (MNS): 2016**

Applications are invited from FEMALE candidates (only) with PG/PB B Sc/B Sc Nursing qualification for grant of Short Service Commission in the Military Nursing Service.

For eligibility, terms and conditions, etc. see Employment News/Rozgar Samachar Issue of 16 Jul 2016. The same can be downloaded from the website www.indianarmy.nic.in/www.indianarmy.gov.in.

The application process will be conducted online. The online application will be hosted on the web page of www.joinindianarmy.nic.in from 18 Jul 2016 to 03 Aug 2016. The procedure for filling up of the online application form, payment and subsequent processing of applications will be available on the same website. No paper applications will be accepted by office of DG RTG / DGMS-4

Last Date for Online Application : 03 Aug 2016

davp 10601/11/0017/1617



**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES: IMPHAL-795 004**

**(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)**

**TENDER NOTICE**

Imphal, the 28th June, 2016

***No. 80-RIMS/Phar/E-15:*** Sealed Tenders (two bid system) from registered firms/manufacturers/ authorised dealers are invited for supply and installation of Equipment for use of Pharmacology Department RIMS, Imphal listed at Annexture-A. Tender documents containing detailed specifications of the above items along with terms and conditions of supply can be had from the office or can be downloaded from the Institute's website i.e., www.rims.edu.in and CPP Portal website i.e., www.eprocure.gov.in on or after 10/06/2016. Tender documents will be supplied on request upto 20/07/2016, during office hour. The sealed tenders should be submitted through post/courier/handlatest by 4:00 p.m. of 28/07/2016. Sealed tenders will be opened on 01/08/2016 at 2:00 p.m.

Sd/- **Prof. Ch. Arun Kumar Singh**
*Director,* Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/3174/9